ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওগষ্ট ০৪, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১২৬ শুবা মশীং

# শেল চাবদা ইকায়রক্তবা

### *পুলিসকা মীয়ামগা অফবা মরী লৈহন্দনবা শিল্লে*

লৈবাক অমদা শেঞ্জা-থুমজা চখবনা লৈবাক অদুগী চাউখৎ থৌরাংদা মঙম শালহনদবতা নৎতনা মীওই অমগা অতোপ্পা মীওই অমগগী মরক্তা খেন্নবা লৈহল্লকই। হুরান লান্নাদা শেনয়াম তানশিল্লগা মখোয়না অচুম্বা শাদুনা মীয়ামগী পূন্সিরোলদা অকায়বা পীরকই। শেঞ্জা-থুমজা হায়বসি লায়কন্নবা ঙম্লরোইদবা কেন্সরনা নারবা অনাবা অমদা পীবা চৈথেংগা মান্নে। কেন্সর লায়নানা অনাবা মীওই অদু শিহল্লি অদুগা শেঞ্জা-থুমজানা খুন্নাই অমবু হাৎতোকই। মসিমক্না মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা শেঞ্জা-থুমজা মুখৎকনি হায়বগী পাউজেল পীবগা লোয়ননা মীয়ামবু বি জে পি অমসুং এ এ পিনা হুমদুনা পুরগা মখোয়-মখোয়গী লৈঙাকশিং পায়বা ঙমখিবনি। সেন্টর গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংগীদি খঙদ্রে অদুবু সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী থৌপুবশিংদি হৌজিকসু শেঞ্জা-থুমজা অমফাওবা তৌদে হায়না ফোঙনা লাউরি। অদুবু মণিপুরদদি মীয়াম্না শেঞ্জা-থুমজা হায়বসি খম থেংনা য়ানিংদ্রবসু মফম খুদিংদা শেঞ্জা-থুমজা তৌদবা লৈরক্ত্রে। মসিনা পান্থৈ লৈজদ্রবা মীচম মীয়াম কয়াদি মশা মথন্তা ৱাহং হংজরগা ঐখোয়সিবু করিগী মী ওইনা পোক্লুরিবনো হায়বা ফাওবা য়াওনরবনি। মণিপুরদা শেঞ্জা-থুমজাগী থবকসি কয়ামুক য়াম্না খুমাঙ চাউশিল্লবগে হায়ববু মীয়ামগী পূন্সি অমদি লন-থুম ঙাক্লনবা লিংলিবা পুলিস ফোর্সতা থবক তৌরিবা মীওই খরদি অকিবা য়াওরক্ত্রে। মখোয়না থবক তৌরিবসি শেল চাননবা লৈঙাক্না হাপ্পগা চপ মান্নরে। মখোয়বু কনানসু এক্সন লৌবা ঙমদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা পুলিসনা শেল চাবসি মখোয়গী সার্ভিস অসিগা মরী লৈননা তৌদবা য়াদবা অমগুম্না ওন্থোরক্লে। লৈবাক অসিগী লো মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পুলিসনা লৌরিবা থৌদাং অসিদা পুলিস পার্সনেল খরনা শেঞ্জা-থুমজাদা কা হেন্না করাম্লকপসিনা লৈবাক অসিদা অচুম্বা অমত্তা লৈত্রবরা হায়বগী ৱাহং হংহল্লে। মখোয়গুম্বা খরনা পুলিস পার্সনেল পূম্নমক্কী মিংচৎ ময়েং তাহল্লে। লুরিবদি মখোয়গুম্বা পুলিস পার্সনেলশিংগী মথক্তা কনানা থবক লৌখৎকদৌরিবগে হায়বসিনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা ইনৌ নৌনা থোকপা থৌদোক অমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী হুরানখিবা গাড়ী মচা অহুম পুলিস পার্সনেলশিংনা ফাগৎপা ঙমখি। হায়রিবা গাড়ী মচা অহুম অদু লম্বীদা কনাগুম্বা খরনা হুন্দোক্লম্বদগী লৌখৎখিবনি। মখোয়না ফাগৎপা ঙমখিবসু নত্তে। অদুবু পুলিস পার্সনেলশিং অদুনা গাড়ী অহুম অদুদি ফাদুনা পুরক্লগা গাড়ী অহুম অদুবু লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা মফম অদুদি কনাদসু হায়দোকখিদে, মীসু ফারকখিদে। থৌদোক অসি অৱাংবা থাক্তা থিগৎফম থোকই। পুলিস পার্সনেলশিং অদুনা গাড়ী অহুম ফারক্লিবদু কনাগী য়ুমদগীনো নৎত্রগা কনাগী ৱার্কশোপতগীনো? য়ুমদগী ওইরম্লগনা য়ুম্বু ফাবা তাই, ৱার্কশোপতা ওইরম্লগনা ৱার্কশোপ অদুবু চলাইরিবা মীওই ফাবা তাবনি। মসিগী মরমদি গাড়ী হুরাল্লিবশিং অদু কনানো অমসুং হুরান পোৎয়াবনা কনানো হায়বা খঙদোকপা ঙমগদৌরিবনি। মসিদি তৌদনা গাড়ী অহুম লম্বীদা তারম্বদৌনা পুলিস ষ্টেসনদা পুরকপা অদুগা গাড়ী হুরাল্লগা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা কাঙবু অদুনা কনখৎপা হায়বসি অচান-মীরান নাইবা থৌওংনি হায়না লৌবা য়াই। মসিনা হুরানবা কনখৎপা ওইনা থোক্কনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ফাগৎলবা গাড়ীশিং অদুগী মপু-মপুশিংনা চে-চাংগা লোয়ননা পুলিস ষ্টেসন অদুদা লৌননবা লাকপদা লোগী ওইবা থবক থৌরমনা অমা ওইরগা মরাইবক থীরবা গাড়ী মপুশিং অদুদা লুপা লিশিং ১০/১০গী দিমান্দ তৌবা হায়বসি পুলিসকী লীচৎলা হায়বদুসু নৈননিংঙাই ওই। পুলিসনা তৌরিবা অফবা থবক্তু মীয়াম্না থাগৎনগদবদা তঙাইফদবা অমা ওইনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৮ পীয়ু হায়দুনা মন্তিক্নরক্লবদি পুলিসকা মীয়ামগগী মরক্তা কমদৌনা অফবা মরী লৈগনি। হুরানখিবা গাড়ীশিং অদু গাড়ী মপুশিংনা কোর্টতগী জিমা লৌরগা লোগী মতুংইন্না মপুদা পীগদবদু লমখাংদা পুলিসনা থৎলগা শেল লৌননবা হোৎনবদা নখোয়না ৱাকৎনিংবা ৱাকৎচরুচো হায়দুনা পুলিস ওফিসরনা গাড়ী মপুদা শীংনরবদি লৈবাক অসিদা পুলিসনা তৌরিবসি সার্ভিসরা নৎত্রগা লালহৌবগুম্না দিমান্দ তৌরিব্রা হায়বা ৱাহং লাকই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, পুলিস পার্সনেলশিংদি শেঞ্জা-থুমজাগী থবক তৌহন্নীংদে। মখোয়দি শেঞ্জা-থুমজা তৌবশিং থিগৎলগা ফাগদবনি অমসুং মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নরগা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লনবা হোৎনগদবনি। মসি নৎতনা মীয়ামদা ওনশিল্লক্লবদি পুলিসতা থল্লিবা থাজবা মাঙশিল্লকপা য়াই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### লাইনীংনা খৎনহনবনি লৌজৈ


*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মালেমগী** ঈশিং নুংশিৎনা হৈপাল-লৈপাল অমদি মী য়াওনা থৱায় পানবা কয়া শেম্বী শাবিরিবনি। ঈশিং নুংশিৎ হায়বসি মালেম পূম্বদা লৈরিবনি। খরা খঙবা হানখিবা মীওই অদুগী ৱাখলনা হান্না পুথোক্তুনা শীজিন্নখিবা ৱাখলশিং অদুনা চৎনবী ওইখি। চৎনবী ৱাখল পরেং অদুনা লাইনীং হায়বদু ওইখি। মালেম অসি পাক চাউবনিনা মানা মানা পাম্বা ৱাখলগী ইফুৎ মখল মথেল লৈবনা ৱাখলগী চৎনবীদা লাইনীং কয়া কয়া পুথোক্লখি। অমগা অমগা তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎনবা হোৎনবদা অয়েৎ অপন থোক্লখি, খৎন-চৈনবা হৌরক্তুনা মাঙহনবা য়াওনখি। শাংনা উবা ফংদবা অচুম্বনি হায়দুনা ৱাখলদা লাইচুহনখি। শা-ঙা অমদি মীওইবা ঐখোয়সি মালেম অসিদগী ওইরকপনি হায়বসি কাউথোকখিদুনা মতিক চাওরবা কৃষ্ণ, যিশুনা শেম্বা লৈবাকনি হায়না লান্না থাজহনখিবা লাইনীংনা আতংকবাদ (টেরোরিষ্ট) কী মওং ওইরকপনি। য়েংবিয়ু লৈবাক লৈবাকশিংদুগী লৈঙাকপা অমদি মন্ত্রি মন্দলশিংদুগী মখাদা মশানা শেমজবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা লৈরে হায়না ৱা ঙাঙলুবদা টেরোরিষ্ট ওইহল্লে। মখোয়না চাউরবা মালেম অসি উবা ফংদে। অদুগা অপীকপা লৈবাক্তগী হৌরকপা খৃষ্টান লাইনীংদি মালেম পূম্নমক্তা চৎনহল্লি, য়াহল্লি। মরম অসিনা মালেম পূম্বদা লাইনীংনা খৎনহনবনি হায়বসি তাক্লে, লৌজৈ। খুদমদি - মণিপুর (কংলৈপাক) অসিদা লোল লাইনীং তোঙান্না ইংনা তপ্পা লৈজবসিবু কৃষ্ণগী লাইনীং চৎনবী অসিনা নমথুদুনা শান্তাদাস গুরুনা চৎহলম্বা অসিননে। হৌজিক্না অমুক ইন্দিয়াগী মীয়াম্না পাঙ্গল-শক্তি (লৈঙাক) শীন্নখ্রবা ইকায় খুম্নরবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিজি হরি নাম লাইনীংসিদা তোংলগা মণিপুরসিদা শান্তাদাস গুরুগুম অনীশুবা ওইনা লৈঙাক্কী থৌনাগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লি। হরি নাম য়াদবা অনাবা লৈবা শেংদোক্কনি হায়নরে। ঐনা হায়জনীংবদি - মীয়াম অসি থোং মান্নবা হায়বদি মান্নবা ৱাখল্লোনগী লম্বীরোমদা ওন্থোকপীরো হায়জরি। লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈবাক অসিদা লৈঙাক চলাইবিগনু হায়জরি। হয়েং অদোমগীদা ফৎতবা অমা লাক্কনি। মহা পাপগুম্বা অমা ওইরক্কনি, অদোমগী মাংলমচৎকী পুৱারী নৈনবিয়ু।

*অদোমগী- এম গম্ভীর খুমন*
*নম্বোল লাইতোঞ্জম, মণিপুর*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬

১। 'মাইনু পেমচা' দ্রামাগী অইবদু কনানো?
২। 'শন্দ্রেম্বী থারক্লো নহুম পোঞ্জেল শাবীগে' কনানা ইবনো?
৩। মোইরাংথেম বরকন্যা করি লাইরিক্তা ষ্টেট লিটরেরি এৱার্দ ফংখিবগে?
৪। 'অতোপ্পা দ্রোনাচার্য্য অমা' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# লায়রবগী চাকথুং অমদি শেলগী নোং

### সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

**লৈবাক** ঙাকপা হায়বসি করিনো? লৈবাক ঙাকপা হায়বদি পোলিটিক্সনি হায়গদৌরিব্রা? পোলিটিক্স হায়বদি মীয়ামগী নৎত্রগা কনাগুম্বা কাঙলূপ অমগীদমক মরু ওইবা ৱারেপ (দিসিজন) অমা লৌবগী থবক্তুবু খঙনৈ। পোলিটিক্স হায়বগী অশেঙবা ৱাহন্থোক্তি 'নিংথৌগী লীচৎ' (রাজ +নিতি) হায়বনি। ৱারী মরু থিনিংলুবৈ ৱা নত্তে। ঐখোয় লৈবাকসিদা ওইরিবা মওং মতৌ, থোক্লিবা থৌদোকশিং য়েংলুরগা অমদি উরুরগা খঙনীংলকপনি - লৈবাকসিবু কনানা ঙাক্লিবগে? লৈঙাকপা (পোলিটিসিয়ন) হায়বদু লৈবরা? গভর্ণমেন্ট হায়বা অমবুদি লৈ খঙই। গভর্ণান্স হায়বদুদি লৈবরা? কনানসু থিজিল্লুদে। লমদমসিদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মরীক চুম্বা পাউ পীরিবা পাউচেশিং পারুবদগী অমদি লমদমসিদা পোল্লুবা লমদমসিদা শিরদবা মীশক অমা ওইরুবদগী মসিমদি খঙই ঐ ময়েক শেংনা - লৈবাকসিদা লো লৈ, লোবু ঙাক শেনবীগদবা মীশক্তুদি লৈতে; লৈবাকসিদা লৈঙাকপা লৈ, লৈবাক ঙাকপা মীদি লৈতে; লমদমসিদা গভর্ণমেন্ট লৈ, গভর্ণান্সতি মশক খঙদে, অপঙবা মীয়ামগী লুচিংবদি লৈ, লুচিংবশিংগী লুচিংবা লুচিংপুরেলদি লৈতে, মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থাদরকপা শেনয়ামদি লৈ, থৌরাং অদু থৌপাঙনবা শেনফমদুদি লৈতে; মীচম মীয়াম চানবা চেঙ পুশিল্লকখিবদি লৈ, মীয়ামগী চাকশঙ য়ৌনবা চেঙদুগী লম্বীদি লৈতে। ওন্থোকপা লৈবাকনি ইরৈবাক।

খঙদুনা উদুনা লৈরবা ওইদুনসু মতম অসুক কুইবসি খেন্নবা ৱাখল ইপাকসিদা নোংমতসু মোংলকখিদবনি। অদুবু হন্দক মরক নাকোং শিংজা য়ৈবমখৈ, ইমীৎ অসি নাবমখৈ ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা ফংফম থোকপা চেঙগী চাং শুনা ফংদ্রে, খোয়শাউনরবা মীয়াম্না চেঙ বোরাশিং অদু পুলিস ষ্টেসন্দা/এম এল এগী য়ূমদা থিনগৎখিবগী ফোটোগা কোন্নবা পাউ তারকখি, উরকখি। অহোঙবা মমলদা ফংহনগনি হায়রিবা চেঙ, ফংনবগী পান্থৈ ফংদ্রবা ভদ্রলোগ নত্তবা ভদ্রলোগ অমনি ৱারেঙজরিবা ঐ। কন্ট্রোল তৌবিনবা লৈত্রবা মার্কেটসিগী, মরাঙ কায়রম্বা মার্কেট নত্তবা 'মার্কেট সেদ' তগী চেঙ ৱান্দুনা পুকচাক হুল্লকই মতম অসুক কুইবসি। চেঙগী মমল? অরেপ্পা লৈতে। অয়োনবা মীনা লেপনিংবা মমল লেপ্পদা গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটি অমত্তনা, কৈদৌঙৈসু করিগুম্বা অমত্তা হায়খিবা থেংনখিদ্রি। ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাই পোর্টফোলিও মিনিষ্টরশিংনা পাম্না পায়ননবা তান্নবা, মমল ৱাংবা পোর্টফোলিও অমনি। চেঙ চিংথোক চিংশিনগী লাইসেন্স পায়বা ত্রান্সপোর্টরশিং অমদি ফোংনা তৌবা চেঙগী অরোনবা লল্লোন ইতিক (কারবার) - ঈংনা চীক্না শেঞ্জাও পায়বা ওইনবা অনানবা লম্বী অমনি। সঙাইপ্রৌ গোদাউন মনাক অমদি অকোয়বদা, লুক্রাম লৈরক, ময়ায় কোয়বী পরিংদা পৈরিবা চেঙগী গোদাউন মচা মচাশিং - কদায়দগী কমদৌনা থুংলরিবা চেঙয়ামনো? য়োন্নরিবা মমলসু অমগা অমগা অমত্তসু মান্নদে। শম্না হায়রবদা মতম অসুক কুইবসি এপ্রিল ২৬, ২০১৬ ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট চৎনরে হায়না লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙফাওবদা মণিপুরগী লৈঙাক্না মীয়ামদা ফংহনগদবা চেঙগী মমল লেপথোকপা ঙম্লমদে। পূম্নমক ফোংনা হুরানবা খূৎপু অমদা শিন্নথোক্তুনা মখোয়না তৌনিংবা তৌহল্লম্মী। পুলিসনসু শোকপা ঙমদবা খূৎপুনি।

পূম্নমক খঙন-উনরবা তানরবা থৌদোকশিংদুগী মরমদদি মখা তানা ইজররোই। অদুবু ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নদবা য়াদবা, খঙলবোইদি নীংবা খঙবমক্তি নত্তবা, মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা মরু ওইবা চীঞ্জাক ওইরিবা চেঙ হায়বা পোৎশক অসি মীয়ামদা য়ৌহন্নবগী পান্থৈ-লন্নাই লল্লোনবা (কারবারৱালা) শিংগী খূৎতা করম' তাখ্রিবা? লৈঙাক্না করিগী করিমতা তৌবা ঙমদ্রিবা? অসিনচিংবা তাবসি অমুক্তংদি নৈননীংলকই।

নোংমগী মনুংদা নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা, ফমুং চঙলমদাই ফাওবদা শীজিন্নরিবা পোৎ চৈ, কম্পনি অমনা মপু ওইদুনা পুথোক্লকপা পোৎ খুদিংমক, ইরোয় লোয়বদা শীজিন্নগদৌরিবা মী (এন'য়ুজর-কষ্টমর) ওইরিবা মীশক অদুদা লৈগদৌরিবা মমল অদু নীংথিনা থাদুনা খঙহল্লি। পোৎ শাফম/শুংফম অদুদগী শীজিন্নরিবা মী অদুগী খূৎ অদু য়ৌহল্লক্নবা হোৎনবদা চঙখ্রিবা থেংখাঙ কয়ারক্কী খরচ/চাদিং অদু কঞ্জুমরদুনা লৈরিবা মমলদুদা য়াওখ্রবনি। মরম অসিদগী হোলসেল প্রাইজ অমদি রিটেলর প্রাইজ হায়বা পোৎকী মমল অনী লৈ। অসুম্না শিন্মী (ইমপ্লোয়ি) শিংগী খূৎশুমল লেপ্পদা, অকা অকুম নাইবা পোৎ চৈগী মমল য়েংলগা লেপ্পী। অদুবু কৌই 'দিয়রনেস এল্লারেন্স'। থা অহুম অহুমগী নৎত্রগা তরুক-তরুক্কী ওইরিবা পোৎকী মমল অদুনা 'লেঙদবা খূৎশুমল' (বেসিক পে) অদুগী মথক্তা, হেনগৎলক্লিবা হিংবগী মমল অদুগা চুশিন্ননা হিংবা ঙমহল্লি। কৈথেলদা লৈরিবা পোৎশিংগী 'হোলসেল প্রাইজ ইদেক্স' নৎত্রগা 'কঞ্জুমর প্রাইজ ইদেক্স' অদু য়েংলগা দি এ হায়না খঙনবা অৱাঙবা/অনেম্বা নাইবা খূৎশুমলগী শরুক (পে কমপোনেন্ট) অদু লেপ্পী।

হিংবগীদমক খ্বাইদগী মরু ওইরিবা চেঙ-চাক, হৱাই-চেংৱাই, মনা-মশিংনচিংবা পোৎশিং অসিদি লৈপাকসিগী মফম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা চাং মান্ননা ফংহনবা ঙমদবা পোৎথোক ৱাৎপা ওইবনা লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লকখিদে। পোথোক ৱাৎপা মফমদা চাবা ফংদবা, চাক তাংবা থোকপগী ৱাথোক অসি ফাওবা লৈরিবসিনি।

পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম হায়দুনা, অথাপ্পা অনকপা মফম পূম্নমক্তা মান্নবা মমলদা দরকার লৈবা মী খুদিংমক্তা 'রাসন কার্দ' হায়না খঙনবা শক্তাক চে অমা পীদুনা চেঙ, গেহু অমদি কেরোসিন থাউনচিংবা তঙায়ফদবা পোৎ চৈশিং মীয়ামদা ফংংহনবগী থৌওং অসি ইন্দিয়াদা ইহান হান্না কুমজা ১৯৩৯ দা ব্রিটিসশিংনা হৌদোকখি। বোম্বেদা চৎনবা হৌখিবা থৌওং অসি অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীবা থৌওং অমা ওইরকখি। কুমজা ১৯৪৩ দদি অতোপ্পা সহর তরাহুমদোইদসু চৎনরক্লে। কুমজা ১৯৪৬ য়ৌরকপদদি সহর মচা অচৌবা ৭৭১ দা 'রাসন কার্দ সিষ্টেম' চৎনরে।

নীংতম্বা ইন্দিয়া ওইরবা মতুং, অহানবা চহী মঙাগী থৌশিল লোইশিল্লকপদা, ফৌথোক চাথোক মরাঙ কায়রকপদগী থৌওং অসি মথৌ তারক্ত্রে খ- দুনা মতম খরা লেপ্পুরে। কুমজা ১৯৬৫, ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিংখৎলে। তঙায়ফদবা পোৎ চৈ মীয়ামদা ফংহন্নবা শেমখিবা পি দি এস থৌশিলগী কান্নবা হৌজিক্তি ময়েক শেংলক্লে (১) তোন্থবা থাক্তা লৈরবা মীওইশিংদা হিংনবগীদমক তঙায়ফদবা চেঙ-চাক-গেহু অতাবা মমলদা (সবসিদাইজ রেটতা) ফংহনবা (২) লৈঙাক্কী কন্ট্রোল ৱাংমদা লৈখ্রবা, অফোংবা কৈথেল মপুশিংনা চেঙ, গেহু, চিনি, অচাথাউ অমদি কেরোসিন থাউগী মমলদা অকা অকুম শান্নবদা অথিংবা অমা পীঙম্বা অমদি (৩) হিংবদা তঙায়ফদবা পোৎলমশিং ফংহনবা অমদি য়েন্থোকপদা মীয়াম্বু শরুক য়াহনবা।

হৌজিক, লায়রবা মীকোক্না মশীং হেনবা ইন্দিয়াগী মীয়াম অসিগীদমক 'অশোয়বা, অৱাৎপা অমত্তা লৈতবা ফুদ সিক্যুরিটি সিষ্টেম' অমা পুথোকপা অমদি মায় পাক্না চৎনহনবা, অরায়বা থবক নত্তে। লিশাং শিৎনা হুরানবা খূৎপু অমনা পায়রম্বা থবক থৌরম থৌশিলবু, খঙহৌদবা মীকুপ অমদা শেন্দোং ফংদবা থৌরাং থৌশিল ওন্থোকপদি কদায়দগী ঙম্লনি? ঙসি থোক্লিবা ৱাথোকসিনা তাক্লবনি ময়েক শেংনা - ফুদ সিক্যুরিটিবু সিক্যুর ওইহন্দ্রিবসিদা লৈঙাকসিগী মরু ওইবা মীশক খরা অদুসু অৱাংবা থাক্কী তৌ'ঙম্বা মী য়াওই। ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মথৌ অমদি থৌদাংদি চেঙ পৈফম (গোদাউন) দা চেঙ ৱাত্তনা পৈশিনবতনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থৌদাংনা পৈশিল্লিবা চেঙশিংদু, ফংফম থোকপা মীশিংদুগী মখূৎতা য়ৌহনখিনবা থৌরাং থৌশিল য়াৎপদুনি। মদুমক্তি পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম। অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙদগী চৎনরক্লবা থৌশিলসি, কুনমাথোইশুবা চহীচাদা চহী তরাতরুক চঙশিল্লক্লবা মতমসিফাওবা থৌপাঙনবা শেম শারমদ্রি। কয়াদা লাইবক থিখ্রবা! ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী কেজিদা লুপা অহুম নত্তবা লুপা কন্থ্রাদা য়োন্নবা লৈঙাক্না শিনবা/ লাউথোকপা ওইরম্মু - চেঙগী ঈচাও থোক্কনি। লৈবা ঙম্বা মী থোরক্তবগী ৱাফমদুনা অমনি। এম এল এ/ মিনিষ্টরশিংনা ইকায় ইকি ৱাংমা লানা, কার্দ য়েনবা য়াওরিবা, রাসনিং এজেন্ট হাপ্পদা পূক্লিং হকচাং লুপ্পিবা, ষ্টেট ইকোনোমি কাং-খোং চাইরিবসি মকোক্তা চঙদ্রিবা - মরম অমা লৈরবনি। চেকশিনবীয়ু লৈবাকমচাশা!

চানবা চীঞ্জাক ফাওবা নীংথিনা ফংহনবা লৈঙাক অমদি লৈঙাকপশিং! খঙবা ঙমদ্রবা মখোয়গী পূক্লিং খঙমিন্ননবা হোৎনবগী মতমদু লাক্লে ঙসি। মথংগী নিংথৌ খনবগী পুংজা নকশিল্লকপগা, অহোংবা চেঙ ফংহনবগী খোই থাক্তুনা অমগা অমগা মুন্নবগী ঈরাং শাগৎলিঙৈ, মতাং তাঞ্জা চাবদা লিশীং চৎপী, চামঙা চৎপীগী ফুইনা হৌবা নোংহৌ অমা ফুজিনহল্লক্কদৌরিবনি নাকন্দগী।

# কুমসিদি কুমসি ওইরে, নোংমৈদি ক্বাসিফাইগী তয়াইমদো লৌ উররোই হায়হৌরে

### সোরোক নোরেন

**অশেংবনি** হৌজিক্কী মতম অসিদা লৌ উদুনা শিনফম ওইরিবা মীওইবশিংসে য়াম্না শেন্থোক লৈতবা অমগুম উনরক্লে। ইশাগী হুমাংমন্না শুদুনা ইনিং তম্না চাইদি হায়ববু থাদরিবা শেলগা থোক্লিবা ফৌথোক্না খেন্নমনবনা মথক্কী ৱাহৈ অসি হায়নিংদ-হায়নিংদ হায়নবা হৌরক্লবনি। করমদি তৌনি লৈমন্দবদগী লৌ উদুনা খাংই হায়বদু য়ৌরে। মতম অমা লৌ উবদা ইচং চঙদনা উনরম্বা লৌউ পথাপতু নৎত্রে হৌজিক্কী মতমগী লৌউ পথাপ। চাওখৎলে য়াম্না নুঙাইরে, শেল য়াম্না চঙলে তেরি-মেরি তারে।

ইশাগী লৌ লৈজদনা মীঙোন্দগী লৌশান পীদুনা উবা লৌমী অমগী শল্লপ্পা ৱারীনি ঙসিগী কাখলদা থমজরিবা। অমুক্তং নৈনদুনা য়েংবিয়ু মসিবু চুম্লিবরা নৎত্রগা শুংতৌমক তৌদবা য়াদ্রবরা হায়বদো। লৌরোক অমা হায়বসি শঙম অনীনি। হৌজিক হৌজিক লৌফম খরা ফবা লৌরাক অমতা য়োনগে হায়দুনা পাউ চেন্নখিবদা মমল মকাক পংথি থিনদ্রে। চাওরাকপা শঙমদা লুপা ৬,০০,০০০/- হায়বদি লৌরাকসিমদা অপূনবা শেনফমসি লুপা ১২,০০,০০০ নিরোমনি। হায়রিবা শেনফমসি পায়দ্রবদি লৌরাক অমগী মপু ওইবা য়াররোই। লুপা ১২,০০,০০০/- অসি পীদুনা লৈরুরগা লৌপু অসিনা লৌউবা অমদা শান্দোক্তুনা উহনবদা লৌপু অসিনা ফংগদবা লৌশান অসি শুপ্নগী ফৌবোৎ ১০ দনি, চহী অমদা। ফৌবোৎ ১০ অসিগী মমলনা চাউরাকপা লুপা ১০,০০০/- হায়বদি ফৌবোৎতা লুপা ১,০০০/- অদুগা অমরোমদা শেন্দোয় চাবা মহাজন অমনা লুপা ১২,০০,০০০/- অসি মফম খঙনা শেল্লেপ মাঙদবীদা শান্দোকপা তারবদি শেন্দোয় ওইনা থাদা ৫% কাবিদা ফংগদবসি লুপা ৬০,০০০/-, মরি কাবিদনা লুপা ৪৮,০০০/- অসিনি। মসি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগদবা শেন্দোয়নি। হোই খোমদোক খোমজিন্দা খরা ৱাথোক ৱাশিন্দি লৈবা য়াই অদুবু করবারনিদনা।

লৌরোমদা য়েংলুরগদি লৌরাকসিমা উবদা চঙগদৌরিবা হিসাব অসি য়াম্না কুপত্রবসু অমুক্তং য়েংমিন্নসি। লৌসি পানবা হৌরগে হায়দুনা হেক হৌবগা অহানবদা লৈকং লৌখোইবা হায়দুনা খোইবা হৌগনি। মসিগী মমলনা লৌরাকসিমদা লুপা ২,০০০/-। লৌরাং শুনবা নেকপদা চঙলিবা শেলনা শঙম অমদা লুপা ১০০০X২ = লুপা ২০০০/-। মথংদা লৌহোন হুন্নবা খোইবদা লুপা ১০০০/- মখা তাবা ওইনা পুংদা লুপা ১০০০/- পীদুনা পুং অহুম্মুক চঙনা খোইগদবা লোটাবেতরগী মমলনা লুপা ৩০০০/-। লৌরাকসিগী ফৌদিগী মথৌ তারিবা অসি চাউরাক্না শংবাই অমমুক পানৈ। মমল ওইনদি লুপা ৫০০/- হায়বা য়ারে। কোবোটা ইঞ্জিন্না তাওবগী খুখোই অমগী মমলসিনা লুপা ১৬০০/-। উকায় তক্তবা য়ারোইদবনা উকায় মমলসি লুপা ৬০০/- রোমনি।

পূম্নমকশিং অসি লোইদুনা লৌ লিংনবা হোৎনরকপদা লৌলিংমন অসি লৌরাকসিমদা পূন্না লুপা ৩৪০০/-। লৌহোন অফোইমন্না পূন্না লুপা ১৬০০/- মখা তাবা ওইনা থারিবা পাম্বীশিং অসিগী মচিঞ্জাক দাইমন্দ বেগ অমদি য়ামদ্রবদা মথৌ তাই হায়না লৌবনিনা দাইমন্দ বেগ অমগী মমলসি লুপা ১৭০০/-। য়ুরিয়া বেগখায় অমা লুপা ২৫০/-। ফৌ পাম্বীশিং অদু মখোং নান্না থম্নবা অতোপ্পা নাপীশিংনা য়েৎশিন্দুনা থমদনবগীদমক পেংবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইরিবনি। তঙাইফদনা অমুকলক্তি পেংবা মথৌ তাবগীদমক লুপা ৩৪০০/- চঙগনি। পেংবা লোইদুনা লৌফম অদু নালহন্নবা হোৎনরবগী তুংদা মশা মউ ফনা থম্বগী তঙাইফদবা খোঙথাং অমা ওইনা তীল হীদাক হার (য়ুরিয়া এম ও পি অসিনচিংবা খরা) অসিগী মমল চাউরাক্না লুপা ৩৪০০/- নি হায়না পাবা য়াই। অসুম্না পূম্নমক্কী অয়াম্বা শরুক লোইরবকান্দা সনা মচু মান্না শাৎলক্কদবা মতম অদু ঙাইদুনা লৈরবগী তুংদা মহয় চাননবগী মতম য়ৌরক্লে। নুমিৎ অসিগীনি লৈখোম লৈনাং মরক্তা অৱাবা পূম্বা কাউথোক্তুনা ৱানা শু নোমখ্রিবা। মানি মতম অদু য়ৌরক্লে, ফৌ পাম্বীশিং অদু খাওবগী পূন্না অখাওমন অসিনা লৌরোকসিমদা লুপা ৩৪০০/-। খাওবা লোইরবা ফৌ পাম্বীশিং অদু য়ৈননবগী হোৎনবদা অয়ৈমল অসি মেছিন্না য়ৈবদা লুপা ৪০০০/- লৌই। মতম খরগী মমাঙদদি লৌমীশিংনা খুলং ওইনা য়ৈনদুনা হোৎনরম্বদু হৌজিক্তি চাওখৎপা মতমগী ইচেলদা পুখিদুনা অতেনবা মতম খরদা পূম্নমক পাঙথোকপগী তাঞ্জা ওইরে। তাল্লক অসিদা ঐগী লৌফমসিগীদমক হোৎনবিখ্রিবা নুংশিরবা মরুপ মপীজা, ইচে ইনেম কয়াগী লৌরাং শুবদা ঙমজবা খরনা হৈথা পোথা ওইনা লাংজখিবগী মমল চাউরাকপা লুপা ৩০০০/- লোম চঙখি। অরোইবদা লৌফমদগী ঐগী কৈ (কোট) ফাওবা পুরক্লবা হোৎনবদা অচঙবা শেল খরদি অদুম দরকার লৈবদু থাদনা। ঙসাই হৌরকপদগী চঙলক্লিবা শেনফমসি অপূনবা ওইনা য়েংবদা লুপা ৩৪,০০০/- (লিশীং কুন্থ্রামরিরোম) চঙই।

অদুগা থোক্লিবা ফৌথোক্না য়াম্লবদা ফৌবোৎ ৪৫ হায়না অয়াম্বা ওইনা লৌরগা ফংলিবা শেনফমসি লুপা ৪৫,০০০/- ফৌবোৎ অমদা লুপা ১০০০ গী চাংদা। লৌপুগী লৌশান ওইনা লৌরাক অমদা পীনরিবা চাংসি লম লমগী খরা খেন্নরবসু ফৌবোৎ তরাদি অদুমক তম্নে। লৌশানগী ফৌবোৎ ১০ খায়দোকখ্রগা লেমহৌরিবা ফৌবোৎ ৩৫ অদুগী মমলনা লুপা ৩৫,০০০/-নি। লৌউবদা চঙখিবা শেলসিনা লুপা ৩৪,০০০/-। অদুদি লেমহৌরিবা শেল অসি কয়ানো লুপা ১০০০/- খক্তনি, মসি খরসু হেন্দোক হেনজিন লৈরগদি তেরি মেরিনি। মসিগী হিসাব অসি চুমদে হায়না লৌবা য়ারোই। অদু ওইরগদি লৌমী অমনা ফংলিবা খুদোংচাবা নৎত্রগা খুদোংচাদবা অসিগী ৱাহন্থোক নৈনদবা য়ারিবরা। লমদম অসিগী মীয়ামগী মচিঞ্জাক ওইরিবা চেঙ অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়গী লায়রবা লৌমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি লৈঙাক্না মিৎয়েং চঙফম থোকই। লৌ উনবা লৈরিবা লৌফমশিংদা য়ূম-কৈ শাজিল্লকপবুদি নুংনাংবা ফোঙদোকপা থেংনৈ। অদুগা উগদৌরিবা লৌফমশিং অদুনা কান্নবা পীরক্তবদি করি তৌবা তাই। লৌ উবিনবা লৌমী লৈরক্তবদি লৌফম কন্দুনা থম্লুবগী কান্নবনা করিনো। লৌফম কনসি, লৌমীবু থৌনা পীদুনা লৌমীদা অচৌবা মতেং পাঙসি। লৌমীবু ইকায় খুম্নবা উৎসি, লৌমী ঐখোয়গী মপূং ফাবা মীয়ামনি। মখোয়গীদমক ঐখোয়না তুংদা লেপ্পীবা মথৌ তাই। লৌ উবদা চঙবা মচাক পূম্নমক অতাবা মমলদা ফংহন্নবা লৈঙাক্না হোৎনফম থোকই। মদুদদা লৌমীগী য়াইফবা ওইদুনা হাংলিবা লৌবুকশিংবু অশঙবা ফৌনানা মতম খুদিংমক্তা থলহনগদৌরিবনি। লৌউ শিংউ লোইশঙনা অকনবা মিৎয়েং চঙদুনা লায়রবা লৌমীশিংবু মতমসিগী চাওখৎ পথাপ মপূং ফানা ফংহনবা চঙই। মমাঙদা থমজরিবা লৌউবদা চঙলিবা অমদি ফংলিবা অনীগী হিসাব অসিদা পরিং চুম্না চৎখ্রগদি করম্না লৌমী থোক্লক্কনি। মতম লৈরিঙৈদা লৈঙাক্না অমদি লৌউ লোইশঙনা খুঁউ শেন্দুনা লৌমীশিংবু নীংহন্নদনবা হোৎনহন্নিংই।

মতম মতমগী নত্তনা লৌমী খুদিংমক অনৌবা লৌউ পথাপতা খোং য়াংশিলহনবা মথৌ তাই। মথৌ তারকপদা হার-নুংগী মচাক-মথুম মরাং কায়না থমদুনা অহোংবা মমলদা ফংহনগদবনি। শুপ্নগী লৌ উরিবনি হায়দুনা উবা মীওই কয়া অমা য়াওদবসু নত্তে। মতমদমক মাঙলগা তোকপসু কোঙ্গায় ওইরি। ফৌহাম শাৎতুনা অরেম্বদা মহয় ফংলোইদবা লৈরবদি মতম মাঙনা উরুবগী কান্নবসিবু করিনো। করম্বা মতমদা করি হার হাপকনি, নুমিৎ কয়ানিগী মনুংদা করম্বা চাথোক লৈবা ফৌ থাদুনা লৌউবদা খুমাং চাউশিনবা ঙমগদগে হায়বসি অখঙ অহৈনা তাকফম থোকই অমদি য়েংশিনবীফম থোকই। শেংনা হায়রবদা লৌউ-শিংউ লোইশঙদি য়ামদ্রবদা লৌমীগা লোয়নবা য়াম্না তঙাইফদে। য়ারিবমখৈ লৌউ-শিংউগী লম অসি পাক শন্না খঙহনবা মথৌ তাই। লোইশঙ লৈরি খঙদবা লৌমী ফনা য়াম্না লৈরমগনি। লৈবা তারবসু শেল য়াওদনা ওইবা পোৎ নত্তে খনবা লৌমী ময়াম অমসু লৈরম্বা য়াই। মদুগুম্বা শেরান্নবা ৱাখল কয়া অদু লাপ্না থমহন্দুনা লৌমীগী শিনফমবু থৱায় য়াওহনবা অমদি চাথোক লৈবা ফৌগী মথৌ তাবদু মমিৎতা উহনবা অমা চঙই। লৌমীশিংগী নুঙাই য়াইফনবা হোৎনবসু য়াম্না মথৌ তাই। লৌমী খুদিংমক্কী মচা মশুশিংগীদমক ৱেলফেয়র ফন্দ শেমদুনা মহৈ মশীন তম্বদা লেম্না তমহনবসু মথৌ তাগনি খল্লি। শোয়নাইরবা মীওইদা কা হেন্না খুদোংচাবা ফংহনবগুম লৌমীগী ইমুং মনুংদসু য়ারিবমখৈ খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

লময়ানবা হিজম ইরাবোতনা মনুং থিৎনা উদুনা হায়রম্মী "হে লৌউবা থাঙ্গোল অদু ময়া থাংউ থৌনা"। হিংবদা মথৌ তাবা অচৌবা পোৎ অমনি চেঙ। অমোৎপা লৈখোম লৈনাং মরক্তগী অহাওবা চাবা য়াবা চেঙ ওইনবা পুথোরক্লিবা লৌমীবু করিগী হন্থনা খনগদৌরিবনো। মখোয় লৈরমদ্রবদি ঙসি সহরগী অচৌবা ফম্নাইবা শেঞ্জাও পায়বশিংগী মচিঞ্জাক করিনা মহুৎ শিল্লমগনি লায়রবা লৌমীশিংনা শিনফম অমা ওইরগা লৌবুক্তগী পুথোরক্লগা অনানবা সহর অমদি মফম কয়াদা মীয়ামগী মচিঞ্জাক ওইনবা থাদোরক্লিবনি। ফৎত্রবা চেঙ খুজোক খরগী নৎত্রো ঙসি ফাওবা লোইবা লৈতনা ঙাঙনরিবা ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট। এক্ট অসিগী মখাদা ফংফম থোকপা শুনা ফংই নৎত্রগা ফংদে হায়বগী ঈহৌনি ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা তারিবা। লেংদ্রবা শাক্তি ওইদুনা কাউঙমদ্রবা নুমিৎ ওইনা লৈহৌরিবনি ঐগী ইরমদমসিদা 'চাকলাম খোঙচৎ'। নীংশিংলুবদা থম্মোয়সে পুবা য়াদে। মচিন তুল্লবা ময়াং সিফাইগী নোংমৈগী সঙ্গিন মতোন্দা থৱায়না পোন্থা ওইদুনা মপান্দা চেঙ থাদোকপা থীংগদবনি হায়বা ৱাহৌদগী পুৱারী ওইহৌরিবনি। ঙসিসু মীশি মীনা থোরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। ফুদ সেক্যুরিটি এক্টনা ৱায়োং হেক চারক্তবদি। লৌবুক্কী লৈখোম লৈনাং মরক্তগী ৱানা ৱানা নোংজু নুংশা মরক্তা হোৎনদুনা পুথোরক্লিবা চেংনী খঙবা ঙমদবা কাঙবুগী মথক্তনি লাউবা হৌরক্লিবসি। তশেংনা লৌউবশিংনা লৌসি উররোই হায়দুনা চপ লেপখ্রবদি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না হিংগদৌবসি করিনো। চাক তাংবা হায়বদু নৎত্রা ওইগদৌরিবসি।

ক্বাসিফাইগী তয়াইমনদি চপ য়ুংনা লেপ্লে হায়হৌরি, নোংমৈদি লৌ পাল্লরোই। মচা মরি পোক্তুনা তাইবঙ পুন্সি তজ্বাই হেল্লক্লবসু পুন্সিগী নুঙাইবা মরেক মহাও থোকপা য়ূম্বান ওইগদবা মাল্লক্ত্রে খল্লমাল্লে। মচানুপা অনী মচানুপী অনীগী মপা ওইদুনা চাওথোকচরল্লিবা তয়াইমনি। মচানুপা অহলদুদি লাইরিক নিংথি নুঙাইনা তমহৌদবদগী মপাগী লৌ-শিং, হিঙ্গোল শম্বল শেন্নবদা মায়পুনখ্রে। মচানুপা য়াইমা সিফাই খনগনি হায়দুনা চেন চোংবা তৌখ্রবসু চহী ৪ মপূং ফারক্লে ফল লাউথোক্তনা লৈখিবদগী তৌফম খঙলক্তবা। মচানুপী অনী অমদি লাইরিক তম্লরোই হায়দুনা মেত্রিক লাল্লবগী মতুং মখা তমথখিদ্রে। অতোনবীদুদি বি এগী অহানবা চহী কারক্লি। তয়াইমগী ইতৈমা ইবেচাওবী হৌজিক্কী লায়না বি পি ষ্ট্রোক্তা য়েৎথংবা নাকল শিথদুনা ফমুংদগী হেল্লক্তবা চহী অনী হেল্লক্লে। শেন্থোক চাং নাইনা থোক্লক্তবদগী মওল মওল খল্লক্লিবা তয়াইমগুম্বা লৌমী কয়ানা অকনবা ফিরেপ লৌদুনা লৌ উররোই হায়রক্ত্রিঙৈ লৈঙাক্না লৌমী মীয়ামগী তৌবা য়াবা, পীবা য়াবা মতেং পাঙহন্নিংবগী অপাম্বনা মাঙওইনরগা লৈঙাক্তা অমদি লৌউ-শিংউগী ফম্নাইবশিংদা হায়জরিবা ৱাহৈ খরা অসি লৌমীশিংগী খোল্লাওনি খনবিয়ু।